# মণিপুরগী দিজিটেল সিনেমা কদোমদা?

ফেব্রুৱারী ২৬, ২০২১, ইরাই নুমিৎ। মণিপুরী ফিল্ম তাইবংগী মমিঙ লৈরবা, মায়পাক্লবা ফিল্ম কম্পনি 'বি বি ফিল্মস প্রাইভেট লিমিটেদ'কী ৬শুবা দিজিটেল-ফিচর 'লাংলেন' গী য়াইফ থৌনি থৌরম, ক্বাকৈথেলদা লৈবা কম্পনি অসিগী ওফিস কম লেবোরেটরি-ষ্টুদিও'দা পাঙথোকখি। মণিপুরগী শক্লাইরবা এক্টর-রাইটর-লিরিসিষ্ট কলম্নিষ্ট নরেন্দ্র নিঙোম্বনা অথোয়বা মীথুঙ ওইখি। ফিল্ম-ফোরম, মণিপুরগী চ্যেরমেন 'মাঙ্গোলজাওনা থৌরম মপু ওইরগা, বিমোল ফিবৌ (ফিল্ম মেকর), ওজিৎবাবু (ফিল্ম মেকর) অমদি রঞ্জিৎ নিংথৌজা (স্কৃপ্ত রাইটর) না ঈকায়খুম্নবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবনি। মমাঙদা, বি বি ফিল্মসনা মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা ফিল্মশিংদি 'ঈমা লাইফদিবী', 'থবাতোন পার্ট ৱান, টু অমসুং থ্রী' অমসুং 'চীংলেনসনা' নি। মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্না য়েংনখিবা ফিল্ম ঙাক্তনি। কম্পনি অসিগী মথঙগী ফিল্ম করি পুথোক্লক্কনি? মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবনি। অজিৎকুমার লাইশ্রমগী স্কৃপ্ত অমসুং স্ক্রিন প্লেদা কম্পনি অসিগী মেনেজিং দাইরেক্টর, ফিল্মসিগীসু প্রোদ্যুসর 'সুরজিৎকান্ত বি বি' না দাইরেক্টর ওইনা খূৎমাগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী মরাইবক, কুমসিগী নিঙোল চাক্কৌবা ময়া অসিৱাইদদি খঙলবা য়াই।

পূং অনীগা মিনিট তরামাপন লোম চঙনা পাঙথোকখিবা য়াইফ থৌরম অদু নমগদৌরিবা ফিল্ম অসিমক্কী মরমদা ঙাঙনবা, নৈনবা থৌরম অমা নৎখিদে। থৌরম অদু য়াওজরুবা ঐঙোন্দদি ঙসি ওইরিবা অমদি হয়েং ওইরক্কদবা মণিপুরী ফিল্মগী মরাইবক নৈনবগী মরু ওইবা মীফম অমা ওইনা থোকখি। ফিল্মনা পুন্সিগী শিনফম অমা ওইরগনি চোংথোরক্লবা, মায় পাক্লবা ফিল্ম মেকর অমসু ওইরবা মীশক অমদগী নীংবা কায়বা ৱাহৈ কয়া তারুবা, শিনফমসিদগী পোথারগনি লাউথোরকপা, অতোপ্পা মীওই কয়ানসু ইন্দষ্ট্রি অসিদা শিনপাঙলিবা শিন্নীশিংনা, ফিল্ম অমা পুথোকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা দাইরেক্টর, প্রোদ্যুসরশিংবু তেন্সন ৱাংখৎহন্দুনা পুন্সি তেমশিংনহনবা লায়না ফাওবা নাহনবগী মরম ওইরকপা, তাবদা ৱারী কয়া লীনরকপদু অথোয়বা মীথুং নরেন্দ্র নিঙোম্বনা থম্মোয় শোকপা ৱাহৈ খরনা থেমজিনখি। খঙদে, ৱাহৈশিংদুনা থম্মোয়দুদা ঈথিল পীরমগদরা?

সিনেমা! ঙসিগী মীরোলশিংসিদদি খঙদে, ঐখোয়গী মীরোলদু ফাওবদদি ঈনখৎলকপা মতমদা অঙকপা, অকনবা ঈথিল অমা পীরম্মি। হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈ অমদি ফিল্মশিং অদুনা পুন্সিদা কোকঙমদ্রবা মচু কয়া শঙলম্মি। মীনা কুমারি, মধুবালা, হেমা মালিনিনা পাখঙশিংগী মঙলান মচু শঙবগুম, দেব আনন্দ, রাজেস খননা অমদি ধর্মেন্দ্রনা লৈশাবীশিংগী মঙলান নিংথৌ ওইরম্মি।

প্রতাপ টোকিজ, ফ্রেন্দস টোকিজ, ভিক্টোরি সিনেমা, উষা সিনেমা, ইম্ফাল টোকিজ নুংথিলগী মতম, মীনা চীক্ল-চাইনা ঙমদনা তিল্লম্মী। নুমিদাং, অথেঙবগী শো য়েংনবা, য়ূমদগী ফিজাও ইল্লগা হাইগৎনরম্মী। নুংশি-তীন্না চীক্লবা, ঈনখৎলকপা পাখঙ লৈশা অনীগী নুংশি ৱারী শানফম, সিনেমা হোলনা ওইরম্মী। সিনেমা প্রোগ্রাম থানবগী কলচরদু শঙ্কর টোকিজ, মিনি শঙ্কর, আসা-জিনা সিনেমা হোল মরীসিগী মতমদুফাও লৈরম্মী। অনৌবা ফিল্ম অমা হোংবদা, তিকেৎ-অনীখক ফংবদা চাউথোকচখিবা, 'অকনবা ঐনি' খন্দুনা নাপল কারবা মীনোক অমা নোকচখিবা... ঙসিগী মীরোলসিদা ঈচা-ঈশুদা লীরুবদা নোক্লফম ওইবতা নত্তনা কনানসু থাজররোই। ইন্দিয়ন সিনেমাগী গোল্ডন ইরানি হায়নবা মতম অদুদা ব্লেক এন্দ হ্বাইত'তা নম্ব মণিপুরগী 'লমজা পর্শুরাম' অমসুং 'ওলাংথাগী ৱাংমদসু' হিট ফিল্মগী লমজেলদুদা য়াওবা ঙম্লম্মী।

খঙহৌদনা থোক্লকপা থৌদোক অমগী মতুংদা লমদমসিদা হিন্দি ফিল্ম কাপ্পুনা উৎপা থিংখিবদগী মণিপুরগী সিনেমা কৈথেলদা হিন্দি ফিল্মগী খোঙ্গুল মুৎখি। সিনেমা হোলশিংসু মথঙ মথঙ মূৎলকখি। ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিনা মশা ওইনা পীরকপা অপীকপা শিনফম কয়ানা হিংনবগী পাম্বে ওইরম্বা শিন্মী কয়াগী শিনফম মাঙখি।

তাঞ্জাদুদা ময়োল চোংলকখিবা অনৌবা লৈকোল অমনি মণিপুরগী দিজিটেল ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি। মশানা মশাবু ট্রেনিং পীজবা অনৌবা মীরোলগী অনৌবা ফিল্ম মেকর এক্টর, ইডিটর, টেক্নিসিয়ন, রাইটর, দাইরেক্টর মশীং খঙদনা থোক্লকখি। ঈকং থোক্লম্বা লৈকোলদু থুনা হৌবা, থুনা শাৎপা, থুনা কেনবা লৈরাংনা পুমথন থল্লকখি।

অদুবু অনৌবা মীরোলগী অনৌবা সিনেমানা মূৎখ্রবা সিনেমা হোলশিংদু অমুক নৌনা হিংগৎহল্লকপদি ঙমখিদে। সিনেমা হোলদা সিনেমা য়েংবা চৎপগী মাঙখ্রবা কলচর অদু অমুক য়েন্নিং হুলহনবসু ঙমখিদে। দিস্ক প্রোজেক্টরদগী কাপ্পুনা দিজিটেল সিনেমা উৎলম্বা সিনেমা হোলশিংদসু উৎখিদ্রে। পীকখ্রবা কাখল অসিদা চাউখ্রবা ইশ্যু অসি নৈনজরোই। মায়োক্নরিবা প্রোব্লেম অসি অদুক নীংশিংজরম্বনি।

'লাংলেন' ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম য়াওরিঙৈ, ৱাখলসিনা কোয়রুবা হৌখ্রবা মতমগী পাক চাউরবা তাইবং অমদনি। মরাঙ কায়না লৈত্রবা ঐগী ৱাহৈ পুক্কে অসিদা পূক্নিং ঈহুল অদু ফোঙদোকচনবা ৱাহৈ থিবা ফংদরে। 'কিসমত' অমদি 'শোলে' ফিল্মনা চহী কয়া লেপ্পুনা সিনেমা হোল অমদা উৎলম্বগী রেকোর্দনা সিলভর/গোল্ডন/দাইমন্দ/প্লাটিনম জুবিলি সেলেব্রেসননা ফিল্ম অসিগী মায় পাকপগী চাং ওন্নবা নাপচৈ (মিজর-ষ্টিক) ওইরম্বদু ওইখিদ্রে। নুমিৎ কয়ানিদা লুপা কয়া কল্লেক্সন তৌবা ঙম্লবগে? ইন্দিয়াগী সিনেমা হোল কয়াদগী নোংমদা লুপা কয়া খোমগৎপগে? মালেম পূম্বদগীনা কয়া? হায়বদুনা ফিল্ম অসিগী মায় পাকপগী চাং লেপ্পফম ওইবা কুইরক্লে। মণিপুরগী কৈথেল মচাশিংদা কাপ্পরম্বা দিজিটেল সিনেমা হোলশিংসু ঙম্নমক লোয়না মূৎশিল্লক্লে-নহানমখৈ খঙলমদে নুমিত্তুদা খঙবনি। অদুদি সিনেমা হোলদগী খোমগৎলকপা অয়েংমন্না সিনেমাগী অনম্মল হঞ্জিনহনগনি খন্দুনা ইনভেষ্ট তৌরুবা সিনেমা প্রোদ্যুসরশিং, অনীরকশুবা ফিল্ম পুথোরকপা হৌনদে। অদুবু, চীফ গেষ্ট ওইখিবা নরেন্দ্রনা হায়খিবা... 'মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংদা অমুরক ফাওবা উৎখিদবা সিনেমা খরগী মেকরশিং লুপা লাক্ষ কয়ানা খুজিং ওইদুনা শেল তানবা, শেল ফজনা পায়বা মী কয়া লৈরে... হায়বদু খন্থনীংঙাই মশক্নি। ফিল্মদুগী মার্কেট কদায়দনো? করম্বা সিনেমা মখলনো? খুঙ্গং খুনয়াদা উৎলিবা ফিল্ম ক্বালিটি মখলসিদি ওইরম্লরোই।

বি বি ফিল্মসগী অনৌবা সুরজিৎকান্তগী মঙলানসু এৱার্দ ৱিন্নিং ফিল্ম পুথোকপনি-মচীনমক্না হায়খিবনি। মহাক্না হায়খিবসিগুম্ন, ফিল্মদা ঙাওজবা ফিল্ম মেকরশিংদা কাখলসিগী খূথাঙদা ৱাফম অমত্তং হঙ্গৎচনীংই হৌজিক্কী অনৌবা কৈথেলনি লৈচিল...ক্লাউদ! স্কাই ইজ দ লিমিত, হায়রম্বদু 'স্কাই ইজ দ মার্কেট' হায়নরে। মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংনা মণিপুরগী সিনেমাগী মার্কেট ওইহল্লগুমসি। গ্লোবেল মার্কেটতা য়োল্লুনবা পোৎতুদি 'গ্লোবেল ক্বালিটি' ওইহনসি।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

# মহৌশাগী তান্থাদা মুতুম রমণীগী 'ইঙাগী নোংজু' শৈরেং লাইরিকসিনা তম্লিবা মপাউ - মীৎয়েং অমা




লাইরিক্কী মমিং :-
**ইঙাগী নোংজু**

অইবী :-
মুতুম রমণী দেবী

অফোঙবা :-
লৈকোল, ইম্ফাল ২০২০

লাইরিক মখল :- শৈরেং

লমায় মশীং :- ১০৮

লাইরিক্কী মমল :-
লুপা ৪০০/-

মহৌশাগী খোঙচত্তি থিংলুবা ঙমগনি কনানা। লেপ্পুনা অদুম্মক চৎখি। ফজবা শক্তম, নুংশিবা মীকুপ, পাম্মুজবা কয়া মতমগী ঈরোলনুংদা অদুমক লুপখি। অদুবু মহৌশা মহাক্তি অদুম লৈহৌই। চীং-পাৎ, তুরেল, লোইজিং-লোয়া, লৌবুক-লমহাং, উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল, শা-কৈ, উচেক-ৱায়া পূম্নমক মশাইকোলসিদা হিংলি নুংঙাইনা। নিংথমথাগী ফিজংনা তপ্পা তপ্পা হাইদোকখিবদা লাকই ফাইরেল, লমতানা লেংগোন্নরদুনা। অদুদগী অমুক মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা থুংলরি য়েন্নিং পান্থা। পূক্নিংনা ঈথক ঈপোম হৌরক্লবা মতমদা অমুক লেংশিল্লক্লনি ইঙা, ইঙেলনা খিক্লদুনা নোংলিক শিদ-য়াই, নাদ-য়াই মালেম শিনবা থুংনা। করম্নদি শক্তবা ঙমগনি নোংজুগী তান্থাদা পুন্সি ঈশৈ। অদুনা অইবী মুতুম রমণীসু শক্লকই ঈংনা মেংলবা খোঞ্জেলদা ইঙাগী নোংজু। থম্মোয় লাইয়ুমদা লেংদনা লৈরিবা অশৈবী অমগী মপাউ অদু মাগী মাগী পান্থা লাকপদা য়েন্নিং হুল্লকপগুম্না থোক্লকখি শৈরেংগী ঈফুৎ লেপ্পুনা। ইঙা নোংজুদা পূক্নিং লুপচরিবী অইবীনা হায়, 'নুংশিজখিবা ইঙা নোংজুগী মখোলশিংদো নীংশিংজবতনা কলমগী খোঙচৎ লেপ্পুনা চৎপা হৌরক্লি' পুন্সিদি নীংশিংকোলদা হেক হেক ইরুপ্পুনা চান্নজে। অদুনা ইঙা নোংজুগী তান্থালক্তা হেক হেক থোক্লকই খোম্থাং কয়া মহৌশা অমসুং মীওইবগী, তাইবঙপান অসিগী নুংশিবা শক্তমশিং। মহৌশাবু নুংশিনা শৈথাদুনা ইদবা অইবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং শৈরেং লাইরিক অমা অকক্লবা থিমদা অদুগা হীরম অমদা ইবদি অমুক অইবা খুদিংমক্কী লাইরিক্তা থোক্তে।

মণিপুরী খোরিরোলগী পূক্কেদা শৈরেং লাইরিক অনী অমসুং ৱারীমচাগী লাইরিক অমা খুদোল তমখ্রবা অইবীনা 'ইঙাগী নোংজু' অমুক নৌনা খুদোল তম্লক্লি। শৈরেং লাইরিক অসিগী মিংথোল ওইরিবা ইঙাগী নোংজু হায়বসিদা মপূংদা নোংজু অসিবু শৈথাদুনা ইবা মখলগী শৈরেংনি। ইঙা নোংজু -১ হায়না হৌদুনা ২১ ফাওবা পন্দুপ নাইনা ইবা শৈরেংসি মণিপুরী খোরিরোলদা খরা তাঙনা ফংই। অইবীনা ইঙা নোংজুগা লোয়নদুনা চৎলিবা মহৌশা খূৎশেমগী ফজবা কয়া মতাং চানা মফম চানা ইয়োংগী ফী শাবগুম্না মফম চানা চানা নীংথিজরবা পূক্নিং পেন্নীংঙাই ওইরবা ৱাহৈশিংনা ফেঞ্জিল্লি। *"ঈংনা মেংলবা নোংজুগী মখোলদা/নোংগী নোংলিক্না উনাশিংদা তত্তনা তান থারি/লৈরাংগা লৈনাগা অমুক-অমুক পূন্না খুবাক খুমিন্নরি/য়েংঙু হৈরাংগা লৈরাংগা লোন্না মীৎপু চান্নরি"* (ইঙাগী নোংজু লা: ১) কবিশিংগী পূক্নিং ৱাখলদি পাক্লবা সমুদ্রগী ঈপাক্কুমই অদুনা মালেম শিনবা থুংনা মমিং লৈরবা কবি খরনা নোংজু শৈরেং কয়া ইরমখি। হৌজিকসু মহৌশা খূশেমদা ঙাওজবা কবিশিংদি ইরি অদুমক। "Rain in Summer' হায়বসিদা কবি H.W. Longfellow না অসুম্না ইরি *"How beautiful is the rain!/How it clatters along the roofs,/Like the tramp of hoofs/How it gushes and struggles out."* মীওইবনা মহৌশাগী নীংথিজরবা শক্তমশিং অমদি তোঙান তোঙানবা শক্লোনশিংদা অদুমক ঙাওজদুনা অঙকপা কয়া ফাওদুনা লাক্লি। মালেমসিদা লৈরিবা মীওই ফুরুপ কাঙলূপ কয়া অসি আমেরিকাদা পোক্লবসু য়ুরোপ্তা চাওরক্লবসু হ্যুমেন কন্সিয়সনেস অসিদি চপ মান্ননা অদুমক পূক্নিংদা ফাওহল্লি। মসিসু মহৌশাগী অঙকপা খুদোল অমনি। ইংলিসকী কবি Emily Dickinson না অসুম্না ইরি, *"A drop fell on the apple tree/Another on the roof; A half a dozen kissed the eaves,/And made the gables laugh."* চীংলোন মাপন ৱাংমদা অদুগা পাক্লা সমুদ্র লান্না লৈখ্রবা ইংলিস কবি অসিনা ফাওরিবা ইঙা নোংজুগী তান্থা অদু অইবী মুতুম রমণীদসু ফাওরম্লি অদুসু য়াম্না ঙল্লিঙৈ অইবীনা লৈশা ফারকপা মতম অদুদা। থৱান লাংবন নুংশাগী মৈশাদা অমদি নিংথম উলেন খাংদুনা লৈরুরবী খৌগংলবা মালেমদা লাইজ ঈরিক খিক্লিবা থৌজাল হৈরবী ইঙা নোংজুবু অইবীনা নুংশিনা শৈথারি, *"ঝম-ঝম-ঝম লেপ্পুনা চুথরো - চুথরো/অখাক-অরাও য়াওদনা শীন থুংনা চুথরো/নহাক্কী খোল্লাংগী নুংশিবা মনমদা/লৈহাও ফবনা হম-হম চাউরিবা/ইনখৎলক্লি মালেমদগী লৈশি-লৈথোন ফজবী কয়া/নোংগী চেঙহীদা মকোক লুজরদুনা ঈগী য়ূমজাওনা/প্রোপ প্রোপ তারি মচুম মনম নুংশিনা.../মচু তরেৎকী ফীজংদা চুমথরকপা কুমগী নোংদা/মীৎচান্নগে খল্লবোই ঙসি নোংথাংলৈমগা"* মমিং লৈরবা ইংলিস কবি William Wordsworth না মহাক্কী শৈরেং How beautiful is the rain! হায়বসিদা অসুম্না ইরম্লি, After the dust and heat,/In the broad and fiery street,/In the narrow lane,/How beautiful is the rain!/How it clatters along the roofs,/Like the tramp of hoofs/How it gushes and struggles out/From the throat of the overflowing spout! অইবীনা য়াম্না নহা ওইরিঙৈদা কবি গুরু রবিন্দ্রনাঠকী শৈরেং কয়া পারক্লগসু ইরিবা খূৎই অসিদি তশেংনা কবি অমদা ফাওরকপা থিংঙমদ্রবা মহৌশা খূশেম্ন নুংশিজবা পাম্মুনা চেকশিন্না থমজনীংবগী মমি তারি। মহৌশাগী চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা থাজবা থল্লি। ৱারী শারি কবিনা মহৌশাগী লৈরিবা চীং-পাৎ, তুরেল, লৌবুক-লমহাংশিংগা।

তমথীরবা মীওইবগী থৌইনশিন্না হৌজিক হোংলক্লিবা মহৌশাগীদমক মীপাইদবা ঙমদে অইবীনা অদুনা ইরক্লি, *"খোঙজেল য়াম্না তপ্পী ঙসি ইঙাগী নোং/ঙাইঙমদা ফাওরকই মালেম... মরূ তাখ্রবা ফৌ মরূশিং মালেম লৈতঙ্গাইদা/ময়োল-থোকনিং থোকপা ঙমদ্রি..."* অদুবু আশাদুদি খক থাদোকপা লৈতে অদুনা হন্না হন্না খূৎলাম তোয়না কৌজরি, *"চুথরো চুথরো ইঙাগী নোং-ও"*

মালেম শিনবা থুংনা হৌজিক অঙ্গং অশাগী খল কায়থরকপনা ওইহল্লিবা ফীভমশিং অসিদা অইবা অইবীশিংনা মহৌশাগী কায়ফদ্রবা খোঙচৎ অসিনা তাইবঙপান অসি শেম্বদা, মীওইবনা তুং কোইনা নুংঙাইনা হিংনবা হোৎনবদা লৌরিবা শক্লোন অসি খঙদবা য়াদে হায়না ইরকপসি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওই। মহৌশাবু য়েংবা ঙম্বা মতমদা মালেম অসিসু মরা তপ্পা লৈবা ঙমগনি হায়না থাজরি কবিনা। সাইন্সকী হীরমশিং নৈনবা মতমদা লিটরেচর অসি খক মীরাইবা য়াদে অমদি লাইনীং লাইশোলগী লম্দা ওইরবসু খোরিরোলদা য়াওরিবসি লাইয়েকনি। পূম্নমকপু নুংশিনা ফজনা উবা, য়েংবা অমদি মমল লৈনা লৌবা মতমদা মীওইবনা হৌজিক থেংনরিবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা, চানীংঙাই লৈতবগী অরাম খৌরাংবা, খাংবা ঙমদ্রবা নুংশাগী মৈশা কয়াসিদগী খরমখৈদি হন্থহনবদা মতেং ওইগনি।

মহৌশা অমসুং তাইবঙ পুন্সিবু নুংশিনা পাম্মুজনা খঞ্জরিবী অইবীনা ফজরবা ইমেজরি কয়াদা ইঙা নোংজু অমদি পুন্সি খোঙচৎপু শৈথারি লাইরিক অসিগী অরোইবা পন্দুপ ২১দা, "পাম্মুজবা মরুপশিং পুন্সি লম্বী চৎপগী/মতেক মতেক খোঙবুরোই!/মাঙনদি তেল্লকপা তুংনদি শাংহৌবা/মহৌশা ফীজোলনা চীরাই ঙৌনা ফিফৌবা/মায়থোঙ কাচিন কোয়াদা চহীনা লৈই চিংলকপা/ৱাখলনদি নুংওনবা পাঙ্গলনদি হন্থরক/মহৌশাগী খোঙচত্তা ঈরোইনরকপী.../থম্মোয় হুবা নাউথেমখোল পুরদুনা/লাকউকো মহৌশাগুম অনৌবা নোংহৌওই.../পোথাজগে থৱায়সে নহাক্কী নোংজুখোলদুদা। — **তোংব্রম অমরজিৎ**

**ৱারী ককনাউ**

# স্কুলগী কাংশি মখোল

"গুদ মোর্নিং মায় দিয়র ষ্টুদেন্টস"

"গুদ মোর্নিং সর"

চহী অমা ফানীংচিৎ চেক-মোক লাউদ্রবা ক্লাসরুমদু মহৈরোয়শিংনা খুন্মকপদুদা পোকখায়গে তৌই। স্কুলগী প্রিন্সিপালনা ক্লাস লৌরিবদু মথং-মথং স্কুলগী ভেরেন্দাদা চৎতুনা য়েংবদা মহৈরোয়শিংনা খুন্মকপা খোঞ্জেলদু তাবদা নোকফেৎ তৌজে।

মাস্ক উপ্পা লাল্লবা, মনুং-মপান ওন্ন-তৈননা উপ্পীবা ওজা মনিনা মাগী মাস্কতু মনাতোন ফাওবা চিংথরগা লাইরিক অমা হাংদোক্তুনা ৱা হায়বা হৌরকই।

"নখোয় নহানখৈ ওনলাইনদা পারা তাকখিবশিংদু লোইনা খঙলবা নৎত্রা?" ৱাহংদুগী পাউখুম অমত্তা মহৈরোয় অমত্তনা খুম্লক্তে, মদুগী মহুত্তা ঙুরুং-ঙুরুং ঙাঙনরকই।

"শট অপ" ওজাদুনা খংলাউ লাউরকই। মহৈরোয়শিং তূমিন অমুক লৈখি। ওজা মনিনা মমীত্তু খরা লাউথোক্লগা মহৈরোয়শিংদুদা য়েংই। মহৈরোয়শিং অমগা-অমগা মীৎচিনা য়েংনরগা তূমিন লৈনৈ।

"কনা-কনা ওনলাইন ক্লাস য়াওই, তঙ্খাই অমা হেনবদি য়াওবা মাল্লি। অয়াওবা মখৈ নখূৎ থাঙ্গৎলু"

মহৈরোয়শিং মখূৎতু তেন্না-তেন্না, তন্না-তন্না মখোয় খরখক থাঙ্গৎনরকপদু মশীং য়ামদে। স্কুলদু মহৈরোয়সু য়াম্বা নত্তে। ওজা মনিনা মখূৎ থাঙ্গৎপা অমদা হংই।

"নঙগী নমিং করি কৌই?"

"বোমচা"

"নঙদি কয়াম খঙই?"

"ইখঙ খঙদেদা ওজা"

"করিগী? ঐনা অদুক ফজনা তাক্লিদুদি?"

"ওজানা তাকপীবদু মরোল ইশেং শেংদে"

"করি? মী উশিত্তবা?"

"ওজা ঐখোয় ববাগী ফোনদু থাদবদা কায়খিবদগী মখোল ইশেং শেংদে। ওজানা হায়রিশিংদু মরোল ইশেং শেংদে" ওজা মনিদু খজিক্তং মীহুন ফাথৈ। মখা তানা অমদা অমুক হংই।

"হে, মনীংদা ফম্বা, নঙদি কয়াম খঙঙে?"

"ওজা করিবুনো?"

"ঐনা তাকপদু কয়াম খঙলগে হায়বনিনে?"

"ঐদি ওনলাইন ক্লাস অমুক্তসু য়াওদেনা"

"করিগী য়াওদ্রিবা"?

"ফোনসু লৈতে, অদুই শরুক ইমানা কাওখা তাল্লু অদুনা হেন্না কান্ননি হায়না কৌখাতা তাল্লি, অদুগা ইমানা য়োল্লি।"

"ঔশ! ফজেনে" ওজা মনি ঙাইহাক মকোক পায়রগা তূমিন লৈ। অমদা অমুক মখা তানা হংই।

"নঙদি নহানখৈ কৈদৌ লৈ?"

"ওজা ঐদি শান্নবগী প্রেক্টিস তৌই?"

"ভেরি গুদ, করি শান্নে?"

"ফুটবোল ওইনা শান্নে"

"ভেরি ভেরি গুদ, নোংমদা কয়াম কুইনা প্রেক্টিস তৌই?"

"ওজা ঐদি মতমগীদি চপ চাবা খঙজদ্রে, অদুবু শান্নবদি বেত্রি হেক তৎত্রিমখৈ শান্নে"

"হা! করি হায়বা, বেত্রি তৎত্রিখৈ হায়বা?"

"ঔ ওজা"

"হ্বাট দু য়ু মিন?"

"ফোনদু বেত্রি পুমতৎ তৎত্রিখৈ অদুম শান্নে হায়জবনি ওজা"

ওজা মনি পাম্বে লৈতে। তূমিন লৈখ্রে। মদুগী তাঞ্জা লৌদুনা মমাঙদা ফম্বা মহৈরোয় অমনা ফুক লাউনা হৌগৎলগা,

"ওজা কৈনোমতা হায়জগেবা?"

"করিনো?"

"ওজানা উপ্পীবা মাস্কতু মনুং-মপান ওন্নরে?"

"হে! নঙনা করি খঙই?"

"খঙই ওজা, ঐখোয় লৈকায়দা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস তৌবদা মাস্ক করম্না উপকদগে হায়বদু ফজনা তাখি। ওজানা মপান্দা থংলিবদুনা মনুংদা থংগদবনি, অদুগা মনুংদা থংলিবদুনা মপান্দা থংগদবনি"

"হে নঙনা খঙপোত্তে, মাস্ক অমা উপ্পগা লোইরে?"

"অদু য়াদে ওজা, ওজানা মপান্দা থংলিবদুদি এবজোর্বিং কট্টননি। ইশাগী চিন্দগী থোরকপা দ্রোপলেটশিং অদু চূপশিন্নবনি। অদুগা ওজানা মনুংদা থংলিবদুনা পাইশিল্লকপা দ্রোপলেট অদু প্রোটেক্ট তৌরগা এবজোর্ব তৌহন্দনবনি। অদুগা ময়ায়দা ফিল্টর অমসু য়াওরি মদুনা মনুংদগীসু মপান্দগীসু ফাওদোক ফাওজিন তৌহন্দনবনি। অদুনবু থ্রী লায়র মাস্ক হায়রিনি হায়না তাকপীখি ওজা"

"কনানা খঙনোদা, অমা হেক্তা উপশিনবগী ৱানিদা"

তাঞ্জাসিদা স্কুলগী কাংশি কাং-কাং খিংলকই। মহৈরোয়শিং ৱা-ৱা লাউনদুনা থোকখ্রে। ওজা মনিনা খলহৌই, ওজানা মাস্ক উপ্পা ফাওবা হৈরমদবসিদি, ইকায়খ্রেদা। কৈসু কায়দেদা ওজানা অমুক তাক, মহৈরোয়না অমুক তাক হায়দুনিদা। — **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

## কালৈ

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

অখাবা অপূম্বা মনম নম্বা
ঐসু নঙসু ঙাওজৈ মৈতৈ
ইপান লুহোংবা চাক্কৌবা ফিরোই
য়াওদবা লৈতে য়াওই কালৈ।
অন্দ্রো সেকমাই ফৈয়েং উখোংশাং
করম্বনা ফৈ খঙঙি অথকপনা
ফবা ফত্তবা থকপু থক্লুরবা
তৌরকই মথৌ মথং-মথং।
কালৈ ইবেম্মা নঙগী নগুন
য়াঙলীনরা অপুম্বা চাকতুনরা
খঙদে মীদগী ওক ওল্লকপা
অফবা নত্তে খঙঙি কালৈ।
অয়ূক ঙন্না ৱাকিং চৎলম্বা
অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ মপাং
কালৈ নঙগী ফনেক মরুমদা
নুংশি পন্থুং য়ৌখিবা অঙকপা নত্তে।
করম্নবু লাপথোক্কনি কালৈ নঙোন্দগী
ঙসিগী মীরোলনা খোইদাজরি নঙতবু,
অশংবা তাওজিং হৈরাংসু কেল্লে
মৈতৈ চনু লাইবক্কী অমুবা চন্দন।

## মালেমদা থল্লোই

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

হে লমহেনবা!
হে ৱারত্তবা!
হে শক লিখৎপা!
নঙ মঙায়রে নাপল তৌবা,
মীওইবনা নঙবু করিসু উশিৎপীদে
কনানসু নহাকপু কিবিদে।
মীওইবা পঙবা নত্তে,
নঙ কনানো খঙলুদে
অহানবদা নঙবু ইকায়খুম্নরুবনি
হৌজিক্তি নশক মুন্না খঙলে
মীওইবা কনানো খঙউ
নমিং ফাওবা মালেমদগী মুথৎলগে।
নহাক্না খুদোংচাবা খরা লৌখিবদা
মীয়াম্না নহাকপু কিনখিবনি
মীওইবা ঐখোয় নমাংদা লেপ্পীরে
নহাক্না করিসু তৌবা ঙল্লোই
হে মহীক! কোভিদ-১৯!
নমাই লৈদুনা চেনগে খনগনু।
মালেমদা লাইচৎ কয়া লৈখি
মখোয় খুদিং মায়থীবা পীখি
নাপল মথোই কারিবা হে মহীক!
নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লোইশিল্লগে
বোম তোপ নোংমৈনা লোইশিল্লোই
অফাওবা সাইন্টিষ্টশিং মমাঙদা লেপ্পু।
নহাক চেল্লসু হিংবা ঙল্লোই
নহাক লোৎলবসু কান্নবা ফংলোই
মালেমদা নহাক্কী লৈফম পীরোই
পুংম্মুৎ মুথৎনবা থৌরাং তৌখ্রে
নহাক্না নোঞ্জবা হায়জবা য়াররোই
নহাক্তদি মালেমদা থল্লরোই।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।